# মণিপুরনা রেলৱেজপু ১-০দা থোইদুনা নেসনল টাইটল লৌখ্রে




পাসিঘাট, সেপ্টেম্বর২৪(এজেন্সী)ঃ
অরুনাচল প্রদেশকী পাসিঘাট সিটিদা লৈবা সি ঐচ এফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা সিনিয়র ৱুমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা রেলৱেজকী টিমবু বালাগী পাঞ্জল ১না মায়থীবা পীদুনা মণিপুরগী টিম অদুনা ২০লকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী হৌরকপা মিনট ১০ রোমগী মতমদা রেলৱেজকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাংজখি। টিম অদুগী শান্নরোয় মমতা অমসুং সঞ্জুনা মণিপুরগী দিফেন্দরশিং অদুবু মীৎকুপ নাহুম শীংহনখি। সঞ্জুনা কাওশিনখিবা বোল অমা মণিপুরগী গোল পোষ্টতগী মপা খরা থৈরগা চৎখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌদবনি। মেচ অদু পুংখাই ফাজিল্লকপদা মণিপুরগী মায়কৈদগী তকশিনবা হৌরকখি। অদুবু মখোয়না পুশিনখিবা বোলশিং অদু ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইরিবী রেলৱেজতা শরুক য়ারিবী অসালাতা অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় মনিসা পন্নানা ময়াই চমহনখি। অহানবা হাফ অদু নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপদা মণিপুরগী মায়কৈদগী এটেক তৌবগী মশিং হেনগৎলকখি। মদুনা মরম ওইরগা বোল অদু রেলৱেজকী হাফতা অয়াম্বা মতমদা লৈখি। পুংখাই ফাজিল্লক্লবদা মণিপুরগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমদা বালানা রেলৱেজকী দিফেন্দরশিংনা বোল মুন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈদা বালানা য়াম্না সাফু কনবা য়েৎকী সোট অমা তৌশিনখিবা অদুনা রেলৱেজগী গোল কিপর অদুবু মায়থীবা পীদুনা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। ৭০ শুবা মিনটতা বালানা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা অমা ফংখি। অদুবু মহাক্না রেলৱেজকী গোল কিপর অদুবু লাম্থোকপা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল মশিং হেল্লবা য়াবা খুদোংচাবা মাংজখি।

মেচকী ৭৫ শুবা মিনটতা রেলৱেজকী মায়কৈদগী ফংখিবা ফ্রি কিক অমা কমালানা কাউখি। অদুবু মহাক্কী সোট অদু মণিপুরগী ক্রোরবারদগী হায়গৎতুনা চৎখিবনা পাঞ্জল ওইহৌখিদে। শান্নবগী লেমহৌরিবা মিনট খরা অদুদা রেলৱেজগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনবা পুম্নমক অরেম্বা তাদুনা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। ঙসি মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখিবা বালানা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না মেচ ৬ শান্নবদা পাঞ্জল ২১ চন্দুনা হায়েস স্কোরর ওইখি। লোয়ননা মণিপুরগী গোল কিপর পান্থোই চনুনা চেম্পিয়নশিপ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা গোল কিপরগী মনা ফঙখি।

সেকেন্দ দিভিজন সুপর ফোর ২০১৯

# এন জি এল লৌরেম্বম্মা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৪(ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা চাওয়াইমা প্লেগ্রাউন্দদা চৎথরকখিবা সেকেন্দ দিভিজন সুপর ফোর২০১৯গী চেম্পিয়ন এন জি এল লৌরেম্বম্মা ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চৎথরিবা সেকেন্দ দিভিজন সুপর ফোর২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ৱাই দি এ তেন্থা অমসুং এন জি এল লৌরেম্বম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা চেম্পিয়ন ওইনবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরকখি। মেচকী ১৮শুবা মিনটতা ৱাই দি এ তেন্থাগী শান্নরোয় টি ঐচ কৃষ্ণ জর্সি নম্বর ১০না মহাক্কী টিমগী একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। এন জি এল লৌরেম্বমগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এন জি এল লৌরেম্বম্মা শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু ফুকৎনবা অকনবা মওংদা এটেক চত্থরকখি। মেচকী ২৮শুবা অমদি ৩৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ৱাই সুরজিৎ জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল অনী চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। ৱাইদিএ তেন্থাগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা শাফুগা লোয়ননা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা এন জি এল লৌরেম্বমনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা ঐচ কে কে এস এ হাওখা অমসুং এ এফ সী (বি) অথোকপম লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা ঐচ কে কে এস এ হাওখানা এ এফ সী (বি) অথোকপমবু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখি। ঐচ কে কে এস এ হাওখাগী মায় পাকপগী স্কোরশিং অদু এল প্রকাস জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৯শুবা অমদি ১৯শুবা, পি রোসন জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৪৫শুবা অমদি ৪৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২/২, এ সৈত্যজিৎ জর্সি নম্বর ১৮না মেচকী ২৩শুবা, ২৬শুবা অমদি ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩ চনখি। মায়থীহৌরবা এ এফ সী অথোকপমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ঐচ রোনালদো জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ২৮শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোক্না চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) : পি কে দি সী অথোকপম্না শীন্দুনা অথোকপম মখা হৈকেং মখোঙগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৪২শুবা মণিপুর ষ্টেট জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ফাইনেল মেচতা এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোক জুনিয়র গর্লসনা আর য়ু সী খাঙবোক গর্লসপু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

# রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৪(ঐচএনএস): ওক্টোবর ৬তগী ৯ ফাওবা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল (ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা শরুক য়ারুনবা খনগৎলবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয়শিং রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

শান্নরোয়শিং অদুদি মরানলৈবী, মোনিকা, পৃকিটি, রেনুকা, সিমা, বোর কৈন্যা, অসমা বেগম, সোফিয়া, কিমজোয়নীং, বিদ্যালক্ষ্মি, সুমিলা, গ্রেসি, মঙাললৈবী অঞ্জলি, লিকমা, বিজয়া, অশিলা, অমিতা, গিতারানি অমসুং রিনাশ্রীনি।

# মতম য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৪(ঐচএনএস): কেপ্তেন এস ইঙো সিংহ রিটয়ার্দ অমসুং এস ওংবী অয়েকপম নলিনি মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ হেন্দবোল (নুপা অমসুং নুপী) টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে হায়না ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

# এমেচর এম এম এ চেম্পিয়নশিপ্তা সুরবলা শরুক য়ারুগদৌরি

## লায়রবনা মরম ওইদুনা মচাবু থাবা ঙম্লোইদ্রা হায়না অপোকপনা মীপাইহৌরি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৪(ঐচএনএস):
বহারেনগী সিটি মনমাদা নবেম্বর ১০দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এম এম এ এফ - দব্লিয়ু এম এম এ এ এমেচর মিক্স মার্সেল আর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুরদগী সুরমলা লাইশ্রমসু ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদৌরি।

মিক্স মার্সেল আর্টস ইন্দিয়া (এম এম এ আই) না সেলেক্সন তৌরকখ্রবা সুরমলা লাইশ্রম অপোকপা লাইশ্রম চন্দ্র থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খাঙবোক সোরোক ৱাংমদগীনি। ইমুংগী লৈত-লায়রবনা মরম ওইদুনা মচাবু হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াহনবা ঙমলোইদ্রা হায়না সুরবলাগী অপোকপা-অপোকপীনা মীপাইবা ফাওহৌরি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা সুরবলানা রেজিষ্ট্রেসন, ত্রেবেল, ভিজা অমসুং ষ্টেগীদমক লুপা লাক্ষ ১.২০ পুথোকপা মথৌ তারি। লৈত-লায়রবা ইমুং ওইরুবনা মচাবুসু শান্নবা চৎহন্নীংই হায়রদুনা সুরবলাগী অপোকপা-অপোকপীনা মীয়ামগী মতেংসু নিরক্লি। লৈকায়গী ক্লবশিংনসু মতেং পাংনবা য়াম্না কন্না চেন চোংদুনা হোৎনবীরি হায়রি।

সুরবলা কিক বোক্সিং অমদি টাইক্বান্দো মশান্নশিংদা নেসনলগী থাক্তগী গোল্ড ১০ অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তসু গোল্ড ৫ অমদি ব্রোঞ্জ অমা লৌবা ঙমখ্রে হায়রি। হৌজিক হৌজিকসু বেঙ্গালুরু ওপন এম এম এ নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ ওগষ্ট, বেষ্ট ফাইটর ওফ ইভেন্ট বেঙ্গালুরু এম এম এ ওপন, ২০১৯ ওগষ্ট, এলেভেন ইন্টরনেসনল ওল ৱিমেন্স কার্দ ষ্ট্রো ৱেট ৱিন্নর, সাউথ এসিয়ন বি জে জে চেম্পিয়নশিপ দবল গোল্ড মেদলিষ্ট ষ্ট্রো ৱেট কেজি ৫২ অমসুং ওপন ৱেট/এবসোলুট কেটেগোরি অমসুং রেঙ্ক ৩ ফিমেল এস জে জে আই এফ - বি জে জে সাউথ এসিয়াদসু ৱিন্নর ওইখ্রে হায়রি।

সুরবলাগী অপোকপা চন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা মচানা পামজরিবা মশান্নশিং অসিদা মায়পাক্লবা হোৎনদুনা ঙসিফাওবা লাক্লি। অদুবু হন্দক মিক্স মার্সেল আর্টস ইন্দিয়া (এম এম এ আই) না সেলেক্সন তৌবিরক্তুনা বেহরান্দা শান্নবা চৎকদৌরিবা অসিদা লৈত-লায়রনা মরম ওইদুনা ঙমলোইদ্রা হায়বগী অৱাবা অমদি লৈরি হায়রদুনা মীয়াম্নসু মচাগীদমক মতেং পাংবীয়ু, মীয়ামগী মতেং কাউজরোই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# ময়ায় লম্বী কোলেজনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৪(ঐচএনএস):
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী লমজিং মখাদা মণিপুর কোলেজ ইম্ফালনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ময়ায় লম্বী কোলেজনা নুপা অমসুং নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নুপামচাগী ফাইনেল মেচ অদুদা ময়ায় লম্বী কোলেজনা রিজনেল কোলেজবু পোইন্ট ৩৪-৩২দা মায়থীবা পীখি। অদুগা নুপীমচাগী ফাইনেল মেচ অদুদনা ময়ায় লম্বীনা রিজনেল কোলেজপু পোইন্ট ৫০-২৭তা মায়থীবা পীখি।

# এম এস ৱাই দি ও, রেক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৪(ঐচএনএস):
মণিপুর সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা লাইচীং মাইপৌ প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৭ মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম এস ৱাই দি ও অমসুং রেক মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এম এস ৱাই দি ও অমসুং ক্বারাল লম্বা তৌনখিবা মেচ অদু এম এস ৱাই দি লনা ক্বারালবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচতা রেক অমসুং চোকতোং এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা রেকনা চোকতোং এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। রেককী পাঞ্জল অদু মঙলেম্বা অমদি দেরেদনা চনখি।

এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# এস এফ সীনা ৱাই দব্লিয়ু য়ুবু পাঞ্জল ১-০দা, কে টি সীনা এফ এস সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৪(ঐচএনএস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এফ সীনা ৱাই দব্লিয়ুবু পাঞ্জল ১-০দা অদুগা কে টি সীনা এফ এস সীবু পাঞ্জল ৪-২দা থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এস এফ সী অমসুং ৱাই দব্লিয়ু য়ু লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা অকনবা মওংদা এটেক চত্থনখি। মেচকী ৩০শুবা মিনটতা এস এফ সীগী শান্নরোয় ঙাঙৌলেন জর্সি নম্বর ২৭না পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই দব্লিয়ু য়ুগী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌবগা ৱাই দব্লিয়ু য়ুগী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংনবা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা এটেকশিং চত্থরকখি। অদুবু এস এফ সীগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা হাইজিনবা ঙমদনা লৈখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদসু ৱাই দব্লিয়ু য়ুগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীহৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এফ এস সী অমসুং কে টি সী লম্বা তৌনখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা কে টি সীনা এফ এস সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখি। কে টি সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জষ্টিন জর্সি নম্বর ১১না মেচকী ৮শুবা অমদি ৩৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী, কলম্বস জর্সি নম্বর ১৫না মেচকী ৪১শুবা অমদি মাইকেল জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি।

মায়থীহৌরবা এফ এস সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা ঐচ তোম্বী জর্সি নম্বর ৯না মেচকী ৪৭শুবা অমদি নেপোলিয়ন জর্সি নম্বর ১৩না মেচকী ৫৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

# থাঙ-তা কোচেস ত্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৪(ঐচএনএস):
থাঙ-তা ফেদরেসন ওফইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন, মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ফাইব দেস নেসনল থাঙ-তা কোচেস ত্রেনিং ২০১৯ ঙসি ৱাই এ এস কম্মিস্নরনা শরুক য়াখিবা কোচশিংদা সার্টিফিকেট খূৎশিন্নদুনা লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোম, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চেয়রমেন হুইদ্রোম প্রেমকুমার, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি থৌনাওজম প্রিয়োকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। কোচশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মপানগী ষ্টেটশিংদগী কোচ ৫৮ অমসুং মণিপুরদগী কোচ ৪৫ পূন্না কোচ ১০৩না শরুক য়াখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুরগী থাঙ-তাগী এক্সপার্টশিংনা তাকপী তম্বীখি। শরুক য়াখিবা ওফিসলশিংনা টেক্নিকেল চেয়রমেন্দা মিষ্টর হুইদ্রোম প্রেমকুমার, টেক্নিকেল দিরেক্টরদা মিষ্টর টি ঐচ প্রিয়োকুমার, এসিষ্টেন্ট টেক্নিকেল দিরেক্টর মিষ্টর হুইদ্রোম চাবাবু, থাঙ-তা ফেদরেসন ওফইন্দিয়াগী সেক্রেটরি ভিনোদ শর্মানি।

HL-P/3999/14,15,16...







HL-B/55645/3-31oct.




HL-B/5661/11sept-8Nov.(alt)

EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W) | 3-7yrs Exp. | 3+2 | Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m | 18-35 | H.Q |
| 2 | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m | 18-25 | H.Q |
| 3. | Tyres Workshop Mistry | 3 to 5 yrs. Exp. | 8 | Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m | 20-35 | H.Q/Branches |
| 4. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 5. | Iron Soldering Mistry | 3 to 5 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m | 22-45 | H.Q/Branches |
| 6. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 7. | Carpentry Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 8. | Driver (Car/Tata) Unmarried | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |

L.G.MOTORS (H.Q) ,KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING.
HL-B/5644/3-31Oct. Pleased Contact: 8787727402

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com